# দোমিনিক থিয়েমনা ষ্টুট্টগার্ট ওপনগী টাইটল লৌখ্রে



ষ্টুট্টগার্ট, জুন ১৩ঃ

ওষ্ট্রিয়নগী দোমিনিক থিয়েমনা মফম অসিদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চত্থখিবা গ্রাস কোর্টকী ষ্টুট্টগার্ট ওপনগী ফাইনেলদা জর্মনিগী ফিলিপ কোহক্রৈবরবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

ওপন অসিগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদু অকনবা নোং চুখিবনা পুং খরা শান্নরল্লগা মখা তানা শান্নবা যাদনা তোকখি। মতম খরখক শান্নখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অহানবা সেটকী টাইব্রেকরদা কোহলক্রৈবরনা থিয়েমদগী ৩-২ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

ফাইনেল মেচ অসিগী অৰাৎপা শরুক অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা মখা তানা শান্নখিবদা ৱর্ল্ডগী নম্বর তরেৎশুবদা লৈরিবা ওষ্ট্রিয়ন অসিনা মায়োক্নখিবা জর্মনবু ৬-৭ (২/৭), ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

থিয়েমনা মমাঙ চয়োলদা লোইশিনখিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবা অদুদগী এ টি পি টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙমখি। মহাক্না চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা বুনোস এয়রস, একাপুলকো অমদি নাইসকী টাইটল অহুম্মক লৌবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২২ শুরবা অসিনা মেচ পোইন্ট অনী সেভ তৌদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রোজর ফেদররবু মায়থীবা পীখিবদা নত্তনা খেৎনা খেৎনবা কোর্ট ক্লে, হার্দকোর্ট অমদি গ্রাস কোর্টতা শান্নদুনা সিজন অসিদা টাইটল অহুম লৌবা ঙন্বা অহানবা মীওই ওইবসু ঙমখি।

থিয়েমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল অদুগী অহানবা সেটতা ২-৩ দা কোলক্রৈবরগী মখূৎতা নেম্না লৈখি। অদুবু মেচ নোংনা মরম ওইদুনা মখা তানা শান্নবা যাখিদবদগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা অমুক হন্না শান্নখিবদা থিয়েমনা মখা তানা ৪-৩ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু মেচ অদু টাই ব্রেক্তা ক্রোকেজরনা ৬-৭(২/৭) তা মায় পাকখি।

অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেটতা থিয়েমনা মমাঙগী সেটতা শান্নখিবা অদুদগী হেন্না ফগৎনা শান্নরক্তুনা অনীশুবা সেট অদু ৬-৪ দা মায় পাকখি। মখা তানা মায়োক্নখিবা লম্বাগী মায়োক্তা তৌখিবা বেকহেন্দশিংদা মেচ পোইন্টশিং লৌবা ঙমদুনা সেট অদুসু অনীশুবা সেটকী স্কোরগা চপ মান্নবা মশীংদা লৌদুনা মায় পাকখি।

# লি চোং ৱৈনা রিও ওলেম্পিক্সতা মীৎয়েং থল্লি

কৌলালম্পুর, জুন ১৩ঃ

দোপিং তৌরম্বগী মরালদা মালেমগী মকোক থোংবা মফমদগী মাঙজখিবা থা ১৮ গী মতুং মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈনা অমুক হন্না মালেমগী মকোক থোংবা মফমদা হল্লকখিদুনা লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা মেদল লৌনবা মীৎয়েং থম্বা হৌখ্রে।

শগোলশেন নুমীৎতা থোকখিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) গী নৌনা থোকখিবা রেঙ্কিংদা লি চোং ৱৈনা চিনাগী চেন লোংবু ইন্থুরল্লগা মকোক্তা লৈখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা অথিংবা থমখ্রবা দ্রগ দেক্সামেথাসোনবু পোজিটিব ওইরম্বদগী মতম অদুদা মালেমগী মকোক থোংবা মফম কনখিবা লি চোং ৱৈবু বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) না চহী অনীগী অথিংবা থম্বগী মহুত্তা দ্রগ অসি লোইবদগী মহাক্কী হকচাংদা চঙখিবনি হায়বা ৱারেপ লৌদুনা থা তরানিপানখক্তমক অথিংবা থমখিবনি।

মমাঙ চহীদগী মালেমগী মশান্না অসিদা অমুক হন্না লি চোং ৱৈনা হল্লকখিবগা লোয়ননা মমাঙ চয়োলদা ইন্দোনেসিয়ন ওপনগী টাইটল লৌখিবদগী মালেমগী মকোক থোংবা মফমদা অমুক হল্লকপা ঙমখি।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা লি চোং ৱৈনা



ওলেম্পিক অমদি ৱর্ল্ড টাইটল অমত্তা ঙসি ফাওবা লৌবা ঙমদনা লাক্লি। ৱা কয়া ঙাঙগনদবা শট্লর অসিনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ইভেন্টশিংদা মতিক মথৌনা ফুদোক্তুনা শান্নবা ঙমদে হায়না মীয়াম্না ঙাঙনরিবনি। মতম কুইনদগী মহাক্কী অকনবা লম্বা ওইদুনা লাক্লিবা চিনাগী লিন দানগী মখুৎতা কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্স অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দ ওলেম্পিক্সতা মায়থিদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

লি চোং ৱৈনা লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক্সতা মেদল লৌনবা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা শেম শাবগী থবক চঙশিনখ্রে। হৌখিবা মতমদা মায়থিখিবা অদুনা পড়া ওইরগা লাক্কদবা চেম্পিয়ন্সিপশিংদা অকনবা মীৎয়েং থল্লকখিবনি।

মালেসিয়া ওলেম্পিক্সকী পুৱারীদা গোল্ড মেদল অমত্তা লৌবা ঙমদনা লাকখিবা অদু হন্দক্কী রিও ওলেম্পিক্সতা লৌনবা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না শট্লর অসিদা মীৎয়েং থম্বসু হৌখ্রবনি। অসিগুম্বা লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বা অসিদা লি চোং ৱৈনা থৈদোকপা যাদবদা নৎতনা হেন্না লুম্বা প্রেসর অমসু পুবা হৌখ্রবনি।

লি চোং ৱৈনা মালেসিয়াগী ফিৱাল পায়দুনা লৈবাক অসিগী কন্টিঞ্জেন্টবু রিও ওলেম্পিক্সকী ওপনিং সেরোমোনিদা লুচিংবা য়ানা লৈবদা নত্তনা লিন দানগা লম্বা তৌদুনা শান্নরবা য়াবগী ফীভমদা লৈরিবনি। হৌজিক লিন দানন চেন লোংগী হেকমথংদা মালেমগী অহুমশুবা মফম কন্দুনা লৈরিবনি।

# মারিয়া শরাপোভানা অথিংবা থম্বগী মায়োক্তা আপিল তৌগদৌরি

লন্দন, জুন ১৩ঃ

রসিয়াগী টেনিস ষ্টার মরিয়া শারাপোভাবু দোপিং টেষ্ট তৌবদা মেলদোনিয়ম পোজিটিব ওইরম্বদগী ইন্টরনেসনেল টেনিস ফেদরেসন (আই টি এফ) না হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা চহী অনীগী অথিংবা থমখিবা অদুগী মায়োক্তা টেনিস ষ্টার অসিনা মহাক্কী আপিল তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

টেনিস মশান্নগী সেলেব্রেটিজ ষ্টার অমনি হায়না লৌনরিবা মারিয়া শারাপোভাবু ইন্টরনেসনেল টেনিস ফেদরেসন (আই টি এফ) না হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা এন্টি দোপিংগী চৎন-পথাপ থুগায় হায়বগী মরাল শিরদুনা চহী অসিগী জন্যুৱারি ২৬ তগী হৌরগা চহী অনীগী অথিংবা থমখিবনি।



শারাপোভানা আই টি এফনা লৌরিবা ৱারেপ অদু ফজদবা থৌওংনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা এন্টি দোপিংগী চৎন-পথাপ অদু অতম্মনা থুগায়খিবা নত্তে হায়না ট্রাইবুনেলনা ৱারেপ লৌখ্রবসু মহাকপু চহী অনীগী অথিংবা থল্লিবা অসি মরম চাদবা অমা ওইবনা মতৌ করম্না য়াগদৌরিবনো হায়না শারাপোভানা মহাক্কী ফেসবুক পেজদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মারিয়া শারাপোভানা হায়খি, ঐনা করিগুম্বা অমত্তা অতম্মনা তৌগে য়াওনা তৌখিবা লৈতে হায়বসি আই টি এফনা খনগৎলবা মেম্বরশিংনা শাবা ট্রাইবুনেল অদুনসু যাজখ্রবনি। অদুবু টেনিস শান্নবদগী চহী অনীগী অথিংবা থল্লিবা অসি করিগীনো হায়না হংলদুনা ট্রাইবুনেল অদুগী ৱারেপকী মায়োক্তা কোর্ট ওফ আর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট (সি এ এস) তা ৱাকৎকনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, ট্রাইবুনেল অদুনা মহাকপু মরাল লৈতে হায়বা খঙখ্রবসু আই টি এফনা মতম কুইনা লৌদুনা মহাক্ন অতম্মনা এন্টি দোপিংগী চৎন-পথাপশিং অদু থুগায়খি হায়বদু উৎননবা হোৎনখি হায়না শারাপোভানা ফেদরেসনদা মরাল শিখি।

নীংশিংবা য়াই, দাইবেটিস অমদি হকচাংদা মেগনেসিয়ম ৱাৎপগী লায়নানচিংবদা শীজিন্নরিবা মেলদোনিয়ম হায়রিবা হীদাক অসি শারাপোভানা মহাক্কী মশাগী অনাবগা মরী লৈননা হৌখিবা চহী তরারোম অসি শীজিন্নদুনা লাক্লি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। দ্রগ মখল অসি চহী অসিগী জন্যুৱারী ১ দগী ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সী (দব্লিয়ু এ দি এ) না অথিংবা থমখিবিনি। শারাপোভানা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা তোয়না নাদুনা লকখি অমদি মেগনিসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং কয়া থোক্লকখিবদগী মহাক্কী ইমুং মনুংগী ডোক্তরনা হৌখিবা চহী তরারোম রঅসি মিলদ্রোনিয়ম হায়রগসু খঙনবা মেলদোনিয়ম হায়রিবা হীদাক অসি থাদুনা লাকখিবনি হায়রি। হীদাক অসি শান্নরোয়শিংদা অহেনবা মপাঙ্গল পীবদা নত্তনা মতম কুইনা খাঙবা ঙম্বগী মথৌনা পীবদসু মতেং পাংঙি হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# ত্রাইএল কম কোচিংগীদমক জুনিয়র গার্লসকী শান্নরোয় ৩২ খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ঃ

জুলাই ১ দগী ১৭ ফাওবা ওরিষাগী কটক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র গার্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খন্নবগী ত্রাইএল কম কোচিংদা য়াওননবগীদমক শান্নরোয় ৩২ খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপরদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী এম লিঙ্থোইঙানবী, পি বিদ্যারানি, ইম্ফল ইষ্টতগী আই সুনিবালা, এল জুলিয়া অমদি ককচীংদগী জোসিমানি।

দিফেন্দরদা ইম্ফাল ইষ্টতগী য়ু সঞ্জনা, পি ওমিতা, এম থাহেনবী, ৱাই কিরনবালা, এন জি স্বিটি, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী কে পিঙ্কি, কে অনিতা, এস দিনেশ্বরি অমসুং টি ঐচ ইচলনি। ককচীংদগী কিরনমালা অমসুং কে এস ঐচ রেনুকানি।

মিদফিল্ডরদা ইম্ফাল ইষ্টতগী ঐচ রঞ্জিতা, টি ঐচ জান্দা, টি ঐচ অঞ্জলি, এম দি অচৌবী, দব্লিয়ু রঞ্জিবালা অমসুং সুলটানানি। ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৱাই হেমোলতা, প্রেমি চিরু, এন বোরকৈন্যা অমসুং এস রঞ্জনানি। ককচীংদগী বিদ্যালক্সমিনি।

ফোরৱার্দতা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী এন রতনবালা, এল রিকমা, ইম্ফাল ইষ্টতগী কসমিনা, ককচীংদগী ঐচ দয়া অমসুং এস রোজানি।

খল্লবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ১৫ গী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা আর্টিফিসিএল টফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

## ভেটরান টেবল টেনিস

ইম্ফাল, জুন ১৩ঃ

মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএশন্না শিন্দুনা হৌখিবা জুন ১০ দগী চত্থরকখিবা মুতুম তোম্বা অমসুং সঙ্কর মেমোরিএল ভেটরান টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ থা অসিগী ১৯ নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইশিল্লগনি হায়রি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী শান্নহৌদ্রিবা মেচশিং নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদগী শান্নবা হৌরগনি হায়রি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR : IMPHAL
CLARIFICATION
Dated, the 10th June, 2016

The UGC letter No. F.No. 21-2/2015 (CU) dated 23rd March 2016 is directly addressed to the Registrar, Manipur University, Canchipur, Imphal. There is no question of tempering the said letter.

The allegation of tempering the letter raised by some section of the people in the State and which has been published in some of the local dailies is totally illogical and completely baseless.

The University further appeals to all sections of people to refrain from misleading the general public.

Sd/- Dr. R.K. Joteen Singh
Deputy Registrar
HL-B/3133/14 Mar.

## ইন্দিয়াগী নুপা স্কিট শুটরশিংনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ১৩ঃ

রিও ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইখ্রবা মাইরাজ অহমদ খান য়াওদবা ইন্দিয়াগী নুপা স্কিট শুটরশিংনা সান মারিনোদা ইরাই নুমীৎতা লোইশিনখিবা ইন্টরনেসনেল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আই এস এস এফ) ৱর্ল্ড কপ ফোর শুটগনগী ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমদনা লৈহৌখ্রে।

ৱর্ল্ডকপ অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ন অহুমগী মনুংদা শীরাজ শাইখ অমদি মন সিংহনা মশক থোক্না ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা কাপখিদুনা পোইন্ট ১১৭ স্কোর তৌদুনা ৩৬ অমদি ৩৭ শুবা পোজিসন্দা লৈখি। সমিট সিংহনা পোইন্ট ১০৮ খক্তমক লৌবা ঙমখিদুনা ৭৬ শুবা পোজিসনদা লৈখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী শগোলশেন নুমীৎতা পাঙথোকখিবা ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী স্কিট টিমদা য়াওরিবা মহেশ্বরী চৌহান অমদি রাশমী রাথোরনা মথংশিংনা ৩৬ অমদি ৪৯ শুবা মফমদা লৈখি। মহেশ্বরীনা পোইন্ট ৭৫ গী মনুংদা ৬৪ লৌখি অদুগা রাশমীনা পোইন্ট ৬১ লৌখি।

মথংগী আই এস এস এফ ৱর্ল্ডকপনা অজর্বাইজানগী বাকুদা মসিগী মরিশুবা অমদি অরোইবা ষ্টেজ পাঙথোক্লগনি অমদি মসিদা রাইফল, পিষ্টোল অমদি শুটগন পুন্না পাঙথোক্কনি। স্পোর্ট মসিনা অরোইবা গ্লোবেলগী কম্পিটিসন ওইরি। লোয়ননা লাক্লিবা ওগষ্ট ৫ দা রিও ওলেম্পিক্স গেমস পাঙথোক্লগনি।

MANIPUR UNIVERSITYCANCHIPUR : IMPHAL
ADMISSION NOTICE
Date : 10 June, 2016

No.MU/3-CESD/B.Voc/Admn/2016.:/156 Applications in prescribed forms are invited for admission into the following three years B.Voc. Courses for the academic session 2016-17.

(i) B.Voc. in Tourism and Hospitality Management
(ii) B.Voc. in Retail Management and Foreign Trade

The course is industry focused for better employability and it will have multiple exits too such as Diploma Course after one year, Advance Diploma Course after two years and B.Voc. Degree after three years.

Eligibility:

Any candidate who passed 10+2 examination in any stream from a recognized Board/Council/University is eligible to apply for admission to the course.

Prescribed application form and Admission Prospectus with detailed information will be available from the University Cash counter w.e.f. 20th June, 2016 on payment of Rupees 500/- (Five Hundred only) and Rupees 300/-(in case of ST/SC) on all working days or by sending a Bank Draft drawn in favour of the Registrar, MU payable at SBI, MU Campus Canchipur Branch (Code 5320) Imphal-795003 along with a self addressed envelope of 28cmx15cm with postal stamp worth Rupees 20/-

Application forms may also be available on the Manipur University Website (http://www.manipuruniv.ac.in), in such case the applicant has to enclose in the application a bank draft of Rupees 500/- (Rupees 300/-for ST/SC), drawn in favour of the Registrar, Manipur University payable at the SBI, MU Branch (Code No. 5320).

N.B:

(i) Application completed in all respect will be received by the Office of the Nodal Officer, UGC B.Voc. Programme, Centre for Entrepreneurship and Skill Development, School of Social Sciences, New Block, Manipur University up to 5th July, 2016 during the office hour on all working days.
(ii) Candidates desirous of applying for both the courses should submit application forms separately.
(iii) Written test, Personal interview and counseling session for admission to the course shall be held on 13th July, 2016 at 9:30 am in the Centre for Entrepreneurship and Skill Development, New Social Science Block, Manipur University, Canchipur, Imphal.


(Dr. R.K. Joteen Singh)
Deputy Registrar/ Aca
HL/B/3132/14


NEET-2/Medical Special Course
Class Commencing From-18th May :7.00 am
ADMISSION OPEN !!! ADMISSION OPEN !!!
✓ BASICS AT A GLANCE ✓ MEGA TEST SERIES
✓ FREQUENTLY ASKED QUESTIONS ANALYSIS
✓ SELECTED CHAPTER-WISE TEST SERIES
ATTENTION PARENTS !!!
"Failure In AIPMT(NEET) In Successive ATTEMPTS"
"DIFFICULTY Faced By 10 PASSED 11 Students"
DENOVO EDUCATION
FOUNDATION COURSE CLASS-XII CLASS-XI
VISIT AND QUENCH YOUR THIRST
Kwakeithel Akham Leikai, Next To MLA RK Anand's Residence 8119080238
HL-B/3040/20/05-19/06 June

ADMISSION OPEN for B.Sc Nursing & GNM
2016-17
Offers Govt. Fees only for Manipur Students
B.Sc Nursing: Fees Rs 26000/- p.a. Hostel Rs 4000/- p.a.
GNM: Fees Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3600/- p.a.
Mess Fee : Rs. 1500/- per month
Location : ANDHRA PRADESH (Vijayawada)
One of the best Medical College in South India, own hospital having 750 beded inside the campus.
(Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University)
EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8132088772, 9436009556
HL-P/8657/7/06-21/06


TINY TOTS' UNIQUE SCHOOL
CONGRATULATIONS
YOU HAVE BROUGHT LAURELS TO THE SCHOOL AND FILLED US WITH IMMENSE JOY AND PRIDE
May God Bless You and All Your Future Endeavours



Ngangom Ronald Singh
7th Position
Sub. Topper in:
Maths: 100% & Hr. Maths: 100%



Wosoron Chithung
8th Position
Sub. Topper in:
E.Man.(MM): 95%, Maths: 100%
Hr. Maths: 100%


Saikhom Amarjit Singh
17th Position
Sub. Topper in:
Hr. Maths: 100%


Emmy Nengnaiem Haokip
18th Position
Sub. Topper in:
Maths: 100%


Sylvest Konsam
22nd Position


Thokchom Bejeo
22th Position.
Sub. Topper in: Maths: 100%



Themson Saka
24th Position


Sadokpam Puspanjali
Subject Topper: English 96%


Nganthoilembi Khumbongmayum
Subject Topper: Maths 100%

"To God be the Glory"
All of us at Tiny Tots' Unique School
HL-P/8852/14
HL-B/3124/4,6,8,10,12 & 14 Jun

BYs
BUILD YOUR SUCCESS (BYS)
Palace Compound (Macha Leima School) # 9863284750/ 9856088990


6th Rank
HSLC Exam
2016
SPEAKS..
LUCKYSON NINGTHOUJAM
THE FIRST POSITION HOLDER AMONG OUTSIDE-IMPHAL SCHOOLS IN HSLC EXAM 2016
SUBJECT TOPPER SOCIAL SCIENCE 98 OUT OF 100

I call it God's grace when I got the 6th Position in HSLC exam 2016. My heartfelt gratitude goes to my family and well-wishers. To me, God is so kind for allowing me to find BYS and its hostel where I am blessed with outstanding faculty and the most academic atmosphere during my Foundation and Revision courses. I feel BYS is not only the best and the most trusted centre but also a dream come true for any student.

Luckyson Ningthoujam

ADMISSION OPEN FOR CLASS X (BOSEM) FOUNDATION COURSE
(including OPTIONAL - Computer Sc./Home Sc./HM) starting on JUNE 13, 2016.